# নবোদয় বিদ্যালয় সমিটি

## জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয়দা ক্লাস VI কী মিংজন চাংয়েংগী প্রোসপেক্টস ২০২০

## জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয়গী থৌরাং

### ৱাহৌদোক

জাতিগী সিক্সাগী থৌশিল (১৯৮৬) মতুং ইন্না ভারত সরকারনা রাজ্য ২৭ অনসুং কেন্দ্রনা শাসন তৌবা মফম ৭ তা নবোদয় বিদ্যালয় লিংখৎলে । বিদ্যালয় অসি নুপী নিপা পুন্না তন্বা স্কুলনি। মসি ভারত সরকারনা অচংবা সেল-থুম পুন্নমক পুথোক্তুনা নবোদয় বিদ্যালয়া সমিটি কৌবা সংস্হান অমবু শিল লাংহল্লি। নবোদয় বিদ্যালয়া সেলেকসন টেষ্ট (JNVST) না চাংয়েং পরিক্ষা লৌরবা মতুংদা নবোদয় বিদ্যালয়দা ক্লাস সিক্সতা মিং চলহল্লি। ক্লাস VIII ফাউবা মমারোল নৎত্রগা মফম অদুগী চৎনবী লোলদা লাইরিক তন্বীগনি। মতুংদা অঙ্ক সাইন্সনা ইংরাজীদা অদুগা সোসিয়েল সাইন্সনা হিন্দি/ ইংরাজীদা তন্বীগনি। ক্লাস X অমসুং XII গী অরোইবা পরিক্ষাদা C.B.S.E. গী মখাদা থাগনি। বিদ্যালয় অসিদা লৈবগী,চাবগী, শেৎনবা ফি-রোল অমসুং তমনবগী লাইরিকশিং লেমনা পীগনি। অদুবু IX দগী XII ফাউবগী মহৈরোইশিংগী ওইনা থা থাগী লুপা ৬০০ বিদ্যালয় বিকাস নীধিদা হাপকনি।অদুগা সরকারগী থবক তৌবা CEA ফংবা য়াবা মীশিংগীদি থা অমদা লুপা ১৫০০ ওইনা থীগনি। অদুবু SC/ST, নুপীমচাশিং অমসুং লাইরবগী পনখৈগী মখা (BPL) দা লৈবশিংগী ওইনদি কোমথোক্কনি। অদুম ওইনমক বিদ্যালয় বিকাস নীধি অসি য়ামদ্রবদা লুপা ৬০০ দগী তাদনা থীগদবনি।

1.1 **থৌরাং অসিগী পান্দমশিং :**

(i) মতমগা চুনবা অফবা সিক্সা ফংহনবগা লোয়ননা সংস্কৃতিগী মচাক মচল, অকোইবগী ফিভম খঙহনবা , এডভেনচরগী থবক, শান্ন-খোৎনবগী মহৈ অমদি ৱাখল লৌশিং কয়ামরুম মরুওইনা হৈ-শিংলবা খুঙ্গংগী অঙাংশিংদা ফংহন্দুনা মশিং য়ামনা খঙহন্নবা হোৎনবা।

(ii) মহৈরোইশিংবু লোল অহুম ফজনা খঙহন্নবা হোৎনবা।

(iii) মহৈরোইশিংবু হিন্দী ঙাংবা রাজ্যদা থাদোক থাজিন তৌদুনা জাতিগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবা ।

(iv) অৱাংবা থাক্কী সিক্সাগী সংস্হানশিং রাজ্যশিংগী লিংখত্তুনা নাক-য়েৎত লৈবা সিক্সাগী সংস্হানশিংবু পুকনিং থৌগৎপা অমদি লমজিং পীবা ।

## 1.2 রাজ্যগী ওইবা নবোদয় বিদ্যালয়গী মশিং :

নবোদয় বিদ্যালয়গী থৌরাং অসি পাইখৎপা মতমদা চাংচত্তা জীলা খুদিংমক্তা নবোদয় বিদ্যালয় অমমম লিংখৎনবগী ৱারেপ লৌখি। হৌজিকমক ভারৎকী রাজ্য ২৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরী ৭ তা পুন্না জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয় ৬৬১ লৈরে। মখোয়গী মনুংদা ৬৩৬ দি মথৌ ফজনা তৌরি।রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরীশিংদা হাংখিবা জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয় মশিং মখাদা উৎলি ।

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| অন্ধ্রপ্রদেশ | 13+02** | হিমাচল প্রদেশ | 12 | পঞ্জাব | 22+01** |
| অসাম | 27 +01** | জমু অমসুং কাশমির | 22+01** | পোণ্ডিচারি | 04 |
| অরুনাচল প্রদেশ | 18 | জরখণ্ড | 24+02** | রাজস্হান | 33+02** |
| অন্দমান অমসুং নিকোবর | 03 | করনাটক্কা | 30+01** | সিকিম | 04 |
| বিহার | 38+01** | কেরেলা | 14 | ত্রিপুরা | 08 |
| চাণ্ডিগর | 01 | লক্ষদ্বীপ | 01 | টেলঙ্গনা | 09 |
| ছটিসগর | 27+01** | মৈধ্য প্রদেশ | 51+02**+1* | উটর প্রদেশ | 75+01** |
| দেল্লী | 09 | মহারাষ্ট্রা | 33+01** | উত্রাখণ্ড | 13 |
| দমণ অমসুং দিউ | 02 | মণিপুর | 09+02** | নোংচুপ বঙ্গাল | 19+01** |
| ডাদর অমসুং নগর হাভেলি | 01 | মেঘলায়া | 11+01** | **Total = 638+ 22**+1* = 661** | |
| গৱা | 02 | মিজোরাম | 08 | | |
| গুজরাৎ | 33+01** | নগালেণ্ড | 11 | | |
| হরিয়ানা | 21 | উরিযা | 30+01** | | |

** অদুম ওইনমক এস সি/এস টি মশীং য়ামনা লৈবা ডিষ্ট্রিকশিংদা অখন্নবা ওইনা স্কুল অনী হাংবা হৌরে।

* অখন্নবা হাংবা JNV

জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয় খুদিংমক্তা ক্লাস VI তা মিং চনবা মহৈরোই মশীং ৮০ তমক লৈগনি। হায়রিবা মশিং অসি মতিক চাবা অফবা মহৈরোই ফংবগী মতুং ইল্লি। মহৈরোইগী লৈফম মতিকচানা লৈত্রবদি মহৈরোই মশীং ৪০ খক্তা লৌবা য়াই।চাংয়েং পরিক্ষাসু তৌদবা য়াই। জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয় সমিটিনা ৱাফম অসি লেপনবা অধিকার লৈ।

## 1.3 জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয়গী চাংয়েং পরিক্ষা ২০২০ ইং

একাডেমিক সেসন ২০২০-২০২১ইং দা ক্লাস VI দা JNV শীংদা মিং চননবগী চাংয়েং পরিক্ষা অসি মখাদা পীরিবা তাংকক অনীদা পাংথোক্কনি :

I. তাং ১১-১-২০২০ ইং থাংজা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১:৩০ দা পরিক্ষা পাংথোক্কদবা রাজ্যশিংদি অন্ধ্রপ্রদেশ,অসাম, অরুনাচল প্রদেশ (দিবাং ভেলি অমসুং টৱাং জীলা য়াউদনা ), বিহার, ছটিসগর, গৱা, গুজরাৎ, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ(চেম্বা, কিনাউর, মাণ্ডি, সিরমোর, কুল্লু, লাহুল অমসুং স্পিটি অমসুং তৱাং জীলা য়াউদনা ) জরখণ্ড, কেরেলা, করনাটক্কা, মৈধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা ,মণিপুর ,উরিযা ,পঞ্জাব, রাজস্হান, ত্রিপুরা, টেলঙ্গনা, উটর প্রদেশ, নোংচুপ বঙ্গাল

( দার্জলিং য়াউদনা)য়ুনিয়ন টেরিতোরিশিংদা দমণ অমসুং দিউ, চাণ্ডিগর, ডাদর অমসুং নগর হাভেলি, অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎ, লক্ষদ্বীপ অমসুং পোণ্ডিচারি নি।

II. তাং ১১-৪-২০২০ইং থাংজা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১:৩০ দা পরিক্ষা পাংথোক্কদবা রাজ্যশিংদি জমু অমসুং কাশমির, মেঘলায়া, মিজোরাম, নগালেণ্ড, সিকিম, উত্রাখণ্ড, অরুনাচল প্রদেশকী দিবাং ভেলি অমসুং টৱাং জীলা, হিমাচল প্রদেশ হিমাচল প্রদেশকী চম্বা, কিনাউর, মাণ্ডি, সিরমোর, কুল্লু,, লাহুল অমসুং স্পিটি অমসুং সিমলা জীলা অমসুং নোংচুপ নোংচুপ বঙ্গালগী দার্জলিং জীলানি।

Online দা চাংয়েং ফোর্ম থাগৎপগী অরোইবা মতমদি তাং ১৫-০৯--২০১৯ ইং নি।

## JNV দা তমননবগী চাংয়েং করমনা য়াউগনি ।

### 2.1 ২০২০ ইংদা JNV দ তমননবা গী দরখাষ্ট ফোর্ম online দা register তৌবগী থৌওং :

(i) মিং চনবগী চাংয়েং য়াউবা য়ানবা দরখাষ্ট ফোর্ম থাজিনবগী মওং হান্নদগী হেন্না লায়বা মওংদা online দা NVS গী **admission portal** website **[www.navodaya.gov.in](http://www.navodaya.gov.in)** দা লেমনা থাগৎকনি। কেন্দিদেৎ অদুগী লৈফম, চহী, পরিক্ষা থাবা য়াবগী মতিকচাবা মহৈনচিংবা অকুপপা ৱারোল অমদি অচুম অরানদি চাংয়েংদগী খল্লবা কেন্দিদেৎশিংদা তৌগনি।

(ii) চাংয়েং য়াওবা য়ারবা কেন্দিদেৎশিংনা মহাকনা ক্লাস V তমলি স্কুল অদুগী ওজা Head Master/Principal না পীবা মেনশিল্লবা ফোটো অমদি মমা-মপা নৎত্রগা মরীমতা লোয়ননা মশাগী সহি য়াউরবা Certificate অদুসু jpg দা 10-100kb দগী হেন্দনা থাগৎকদবনি ।

(iii) চাংয়েং য়াওবা য়ারবা কেন্দিদেৎশিংনা online দা NVS গী admission portal দা থাগৎপা মতমদা ফোটো অমদি মমা-মপা নৎত্রগা মরীমতা লোয়ননা মশাগী সহি য়াওরবা Certificate অদুসু jpg দা 10-100kb দগী হেন্দনা থাগৎকদবনি ।

(iv) করিগুম্বা কেন্দিদেৎ অদু NIOS তগী ওইরবদি মানা তমগদবা জীলা অদুমক্তদা লৈবা অমদি 'B' certificate পায়বা ওইগদবনি ।

(v) মমা মপাশিংনা অমদি কেন্দিদেৎশিংনা Online দা শেল তিংদনা দরখাষ্ট থাগৎপদা হেন্না খুদোং চাননবগীদমক্তা নবোদয়া বিদ্যালয় খুদিংমক্তা Help desk হাংগদবনি। মমা মপাশিংনা অমদি কেন্দিদেৎশিংনা মরী লৈনবা চে-চাং হায়বদি Head Master/ Principal না পীবা মেনশিল্লবা ফোটো অমদি মমএ-মপা নৎত্রগা মরীমতাগা লোয়ননা মশাগী সহি য়াউরবা certificate অমসুং SMS তা passward অমসুং registration number লাকনবগীদমক্তা ফোন নম্বর পীদুনা বিদ্যালয়গী Help desk তা চৎতুনা মতেং লৌবা য়াগনি ।

## 2.2 এডমিড কার্ড পীবগী মওং :

এডমিড কার্ড অদু তাং ১-১২-২০১৯ ইং দগী অহানবা কাঙলুপ অদুগা তাং ১-৩-২০২০ ইং দগীনা অনীশুবা তাংকক্কী ৎদা admission portal দগী লেমনা download তৌবা য়াগনি ।

## 2.3 চাংয়েং পরিক্ষাগী ফোলঃ

JNVST 2020 ইংগী ফোল অসি মিং চনগদবা চহীগী মেগী অরোইবা চয়োলদা লাউথোকপা য়াই। চাংয়েং পরিক্ষাগী ফোল অদু থেৎকদবা মফমশিংদি:

(1) মরীলৈনবা জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয়

(2) ডিষ্ট্রিক ইডুকেসন ওফিসার

(3) ডিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট

(4) নবোদয় বিদ্যালয় সমিটি Regional Office কী ডিপুটি কমিস্নারশিং ।

(5) চাংয়েংগী ফোল অদু সমিটিগী website **http:/www.navodaya.gov.in.** গী admission portal দগী খঙবা য়াগনি। মরীলৈনবা জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয়গী প্রিন্সিপালনসু register তৌখিবা মোবাইলদা/চিঠীগী খুৎথাংদা খঙহল্লক্কনি।

## খনবা অমসুং মিং চনবা

3.1 চাংয়েংদগী খল্লবা কেন্দিদেৎ খুদিংমক JNV দা শোইদনা মিং চল্লগনি হায়বা লৈতে। কেন্দিদেৎ খুদিংমকনা মিং চনবা মতমদা নবোদয় বিদ্যালয় সমিটিনা পনখিবা মরী লৈনবা **certificate** শীং পুথোক্কদবনি। মখোয়গী চে-চাং শুদ্রিফাউবগী ওইনদি মিং চল্লবনি হায়না লৌবা য়াদ্রি।খল্লবা কেন্দিদেৎ খুদিংমকনা মখোয়গী চে-চাং চেক তৌদুনা মিং চনবা য়ারে হায়না অয়াবা পীরবা মতমদতা মখোয়না হান্না তমলম্বা স্কুলদগী TC লৌগদবনি।

3.2 করিগুম্বা মরম অমদা য়ান্নদবা লৈরবদি নবোদয় বিদ্যালয় সমিটিগী ৱারেপনা অরোইবা ওইগনি।

3.3 পরিক্ষা থাখিবা কেন্দিদেৎকী ( অখনবা অমসুং খন্দবা ) অফংবা মার্ক হায়দোকপা য়ারোই ।

3.4 Result শেম্বা মতমদা পাউখুম চেদু নীংথিনা অমদি চেকশিন্না **computer** না য়েংবনা মরম ওইদুনা অচুম অরান নৎত্রগা অশোইবা য়েংজগে হায়বা য়াদে।

3.5 খল্লবা কেন্দিদেৎশিংনা ক্লাস নাইন য়ৌরকপা মতমদা হিন্দী ভাংবনা ভাংদবা মফমগী স্কুলদা অদুগা হিন্দী ভাংদবনা ভাংবা মফমগী স্কুলদা তমনবগী য়ৌরাং লৈ। মসিদা মহৈরোইশিং অমদি মমা-মপাশিংনা য়ানিংদে হায়রবদি মখা তানা JNV দা তমথবা য়ারোই।

3.6 কেন্দ্রিদেৎশিংনা অমদি মমা-মপাশিংনা খঙগদবদি চাংয়েং য়াউরিবা জিলা অদুখক্তদা তমগদবনি ।ফিভম অমতদা মখোয়গী অপাম্বা মতুংইন্না তমনবগী লোল, জিলা / ষ্টেট হোংবা য়াদে।

3.7 খল্লবা এস সি অমদি এস টি কেন্দ্রিদেৎশিংনা মিং চনবা মতমদা মরী লৈনবা চে-চাং পুথোক্কদবনি।মখোয়গী মরী লৈনবা চে-চাংশিং অদু মিং চনগদবা চহী অদুগী মার্চ ৩০ ইং গী মমাংদা পীশিনগদনি। খুদম ওইনা ২০২০-২০২১দা মিং চনগদবা শিংনা মার্চ ৩০ ইং ২০২০গী মমাংদা চে-চাং ফংবা ওইগদবনি।

3.8 খুঙ্গংদা তমমী হায়না চাংয়েং য়াউগদবশিংনা ক্লাস III,IV অমসুং **V** চহী অহুমমক খুঙ্গংদা তম্বগী মরী লৈনবা চে-চাং পুথোক্কদবনি।

3.9 মীমান্দ্রবা কেন্দ্রিদেৎশিংনা মিং চনবা মতমদা জিলা অদুগী CMO না পীবা মরি লৈনবা চে-চাংশিং(মীৎকী, হকচাংগী ফিভম, না তাদবগী ,শরুগী) পুথোক্কদবনি।

3.10 ট্রান্সজেন্দরগী মনুংচনবা কেন্দ্রিদেৎশিংনা চাংয়েং য়াউগদবা চহী অদুমক ক্লাস V অসি জিলা অদুগী মনুংচনবা স্কুলদা তম্বা ওইগদবনি। মখোয়না মিং চনবা মতমদা সরকারনা পীবা জেন্দরগা মরী লৈনবা চে-চাং পুথোক্কদবনি। অদাগা মখোয়গী অখন্নবা সিট তোঙান্না থমদে।

## কনা কনা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি:

### কেন্দ্রিদেৎ পুমনমক্কী মিং চনবা য়াবগী নীয়মশিং:

4.1 জৱাহর নবোদয় বিদয়ালয়দা জিলা অদুগী মনুংদা লৈবা স্কুলদা তম্বা মহৈরোইশিংনতনা মিং চনবা য়াগনি। জিলা খায়দোকপা মতাং থোক্লবদি খায়দোক্লিবা মফম অদুদা অনৌবা স্কুল হাংদ্রিবা ফাউবা খায়দোক্ত্রিঙৈদা লৈরম্বা স্কুলদা মিং চনবা য়াগনি।

4.2 মিং চনবগী চাংয়েং পরিক্ষা য়াউগদবা কেন্দ্রিদেৎ খুদিংমকনা তাং ১-৫-২০০৭ ইংগী মমাংদা অমদি তাং ৩০-৪-২০১১ ইংগী মতুংদা পোক্লৈইদবনি। হায়রিবা ৱাফম অসি এস সি, এস টি অমদি খুদিংমক্কী ওইনা চৎনগনি।করিগুম্বা চহীগী মতাং ওইরবদি মেডিকেল বোর্ডনা পীবা ৱারেপনা অরোইবনি হায়না লৌগনি।

4.3 মিং চনবগী চাংয়েং পরিক্ষা য়াউগদবা কেন্দ্রিদেৎ খুদিংমকনা তমগে হায়না খল্লিবা নবোদয় বিদয়ালয় অদুনা লৈরিবা জিলা অদুগী সরকারগী তম্বা সরকারনা মতেঙ পাংবা নৎত্রগা সরকারনা শক খঙলবা স্কুল অমদা ইং শোক ২০১৯-২০২০ ইংগী সেসন্দা ক্লাস V তা তম্বা নৎত্রগা NIOS তগী ওইরবদি মানা তমগদবা জিলা অদুমক্তদা লৈবা অমদি 'B' certificate পায়বা ওইগদনি। শকখঙলবা স্কুল হায়বসি সরকারনা নৎত্রগা সরকারনা শকখঙবগী থবক শীন্নবা সংস্হান অমনা শকখঙলবা স্কুল অদুবু খঙনগনি। থাঙ্গৈশেংনা মহৈরোইশিং অদুনা ইংশোক ২০১৯-২০২০ ইংগী সেসন্দা ক্লাস V পাস তৌগদবনি। হায়বদি শোক ২০২০-২০২১ ইংদা ক্লাস VI তা মিং চনদ্রিঙৈগী মমাংদা ক্লাস V পাস তৌগদবনি।

4.4 কেন্দিদেৎ অদুনা খুঙ্গংদা তমলকই হায়রবদি ক্লাস **III,IV** অমসুং **V** চহী অহুমমক খুঙ্গংদা লৈবা সরকারগী/সরকারনা শকখঙলবা/সরকারগী শেন্থং ফংবা স্কুলশিংদা তমলকপা ওইগদবনি।

4.5 National Institute of Open School দগী 'B' Certificate of competency course অদু September গী তাং ৩০ ইং২০১৯ নৎত্রগা মমাংদা ক্লাস V পাস তৌরক্কদবা মহৈরোইশিংসু পরিক্ষা থাবা য়াগনি। করিগুম্বা National Institute of Open School গী কেন্দিদেৎ অমনা খুঙ্গংগী ওইনা চাংয়েং য়াউগে হায়রবদি তেসিলদার/ ডিষ্ট্রিক মেজিষ্ট্রেটনা হৌখিবা চহী অহুম অদু খুঙ্গংদা লৈরকপনি হায়বসিগী চে য়াউগদবনি।অদুগা কেন্দিদেৎ অদুনা নোংমখক ওইরবসু সলৈরবদি খুঙ্গংগী মিংদা চাংয়েং য়াউবা য়ারোই।

4.6 চাংয়েং য়াউগদবাশিংনা তাং ১৫ থা ৯ ইং ২০১৯গী মমাংদা ক্লাস **V** কাদ্রবা নৎত্রগা মিং চন্দ্রবা ওইরবদি চাংয়েং য়াউবা য়ারোই।

4.7 **হান্ননা চাংয়েং য়াওরুরবা মহৈরোই অমতনা অনীরকশুবা ওইনা করিগুম্বা মওং অমতদা চাংয়েং য়াউবা য়ারোই।**

**খুঙ্গংগী কেন্দিদেৎশিংগীদমক** :

ক। জিলা অমদা য়ামদ্রবদা ৭৫% দি খুঙ্গংগী লমদগী খল্লকপা কেন্দিদেৎশিংগীদমক্তনি।অদুগা লেমহৌরিবা সিট অদুনা জিলা অদুগী সহরগী লমদগী খল্লকপা কেন্দিদেৎশিংগীনি।

খ। খুঙ্গংগী কেন্দিদেৎ ওইনা মিং চনবা তারবদি খুঙ্গংগী লমদগী লমদা লৈবা সরকারগী/সরকারগী মতেং ফংবা/সরকারনা শকখঙলবা স্কুল অমদা ক্লাস III, IV, V তা মপুংফানা তমদুনা (মরক্তা কানবা অমদি লেপতবা) পাস তৌরকপা কেন্দিদেৎ ওইগদবনি।

গ। National Institute of Open Schooling গী মখাদা তম্বা কেন্দিদেৎশিংনা তেসিলদার/ ডিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট/ ব্লোক ডিভেলবমেন্ট ওফিসারনা ইবা খুঙ্গংদা লৈবগী Certificate পুথোক্কদবনি।

**সহরগী কেন্দিদেৎশিংগীদমক::**

সহরদা লৈবা স্কুল অমদা সেসন অমগী মনুংদা নোংমখক ওইরবসু ক্লাস III, IV, অমসুং V তা তমলুরবা অমদি হায়রিবা ক্লাসশিং অসিগী মনুংদা পরিক্ষা অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবা পরিক্ষা পাস তৌরকপা কেন্দিদেৎ অদু সহরগী কেন্দিদেৎনি হায়না লৌগনি।

২০১১ইংগী মীকোক থীবগী মতুং ইন্না সহর ওইখ্রবা নৎত্রগা সরকারগী চেরোল অমনা সহরনি হায়না লাউথোকখ্রবা মফমশিংবু সহরনি হায়না লৌগনি।অদুগা অতোপপা লমশিংদি খুঙ্গংনি হায়না লৌগনি।

## নিপা নুপী খন্দোকপা ঙমদবা কেন্দিদেৎশিংগী:

নিপা নুপী খনদোকপা ঙমদবা কেন্দিদেৎশিংগীদমক্তা অখন্নবা সিট খাক্তুনা থমদে। মখোয়বু নিপামচাগী তোঙান তোঙানবা মচা খায়বা কাঙলুপশিং(এস সি , এস টি , খুঙ্গং, সহর, মীমান্নদ্রবাশিং) নি হায়না লৌগনি।

## খাক্তুনা থমলবা সিটশিং:

ক। জিলা অমদা য়ামদ্রবদা ৭৫% দি খুঙ্গংদা লৈবা অঙাংশিংগীদমক্তা খাক্তুনা থমমী। অতৈদি সহরগী অঙাংশিংগী থমমী।

খ। এস সি এস টি গীদমক্তা সিট খাক্তুনা থমমী।(এস সি গী ১৫% এস টিগী ৭.৫%) অদুগা ৰাফম অসি কেন্দিদেৎকী মেরিৎ য়েংলগা অহোংবা লাকপা য়াই।

গ। নুপীমচাশিঙগীদমক্তসু সিট অহুম থোকপগী অমদি খাক্তুনা থমমী।

ঘ। শোইনাইরবা অঙাংশিংগীদমক্তসু ৩% সিট খাক্তুনা থমমী। **(**হকচাংদা শোইনাইরবা, না তাথিরবা, মমিৎ ফজনা উদ্রবা অঙাংশিং)

** **মমিৎ ফজনা উদ্রবা অঙাংশিং** (Blindness) গীমনুংদা

(i) মমিৎ করিমতা উদ্রবা নৎত্রগা

(ii) মমিৎ উবা ঙন্বগী চাং ৬/৬০ নৎত্রগা ২০/২০০(স্নেলেন) লেন্স হাপলবগী মতুংদা অসিদগী হেন্দবা ।

(iii) মীৎনা য়েংবা ঙন্বগী চাং ২০ ডিগ্রী নৎত্রগা মসিদগী হেনজিন্না শোক্লবা ।

** **না তাথিরবা** (Hearing Impaiment) গী মনুংদা ৬০ ডিসএবল নৎত্রগা মসিদগী হেনবা শোইনাইরবা মীওইশিং।

****শরুগী নৎত্রগা শদোংগী** (Locomotor disability) শরুগী নৎত্রগা শদোংগী অনাবনা মরম ওইদুনা নীংথিনা থবক তৌবা ঙমদ্রবশিং ।

** **হকচাংদা শোইনাইরবা (**Physically Handicapped) হকচাংদা শোইনাইরবা হাইবদি মেডিকেল বোর্ডনা ৪০% শোইনাইরে হায়দুনা পীরবশি।

## চাংয়েং পরিক্ষাদা মাই পাক্লবা মতুংদা পীশিনগদবা চে-চাংশিং

মিং চন্ননবা খল্লবা কেন্দিদেৎ অদুগী মমা মপাশিংনা মখাদা পীরিবা চে-চাংশিং অসি অচুম অরান য়েংননবগীদমক্তা পুরক্কদবনি

(i) National Institute of Open Schooling গী মখাদা তন্বা কেন্দিদেৎশিংগী অপিবগী মতুংইন্না লৈফমগী শকখঙ চে ।

(ii) পোকপা চহীগী শকখঙ চে ।

(iii) NVS কী নিয়মগী মতুংইন্না মরী লৈনবা চে-চাংশিং।

(iv) কেন্দিদেৎ অদু খুঙ্গংদা পোকপা ওইরবদি অঙাংনা তমলিবা স্কুল অদু খুঙ্গংদা লৈবগী শকখঙচে পীগদবনি।

(v) অতোপপা মরী লৈনবা দরকার ওইবা চে-চাংশিং

## মিংজন চাংয়েংগী মরমদা

### 1. পরিক্ষাগী সেন্টর :

চাংয়েং পরিক্ষা অদুদা য়াউগদৌরিবা মীওইশিং অদুনা মঙোন্দা পীরিবা এডমিদ কার্ড অদুদা উৎলিবা সেন্টর অদদা পরিক্ষা থাবা য়াউগদবনি। মঙোন্দা পীরিবা সেন্টর অদু নত্তনা অতৈ অতোপপা সেন্টরদা পরিক্ষা থাবা য়াদে। সেন্টর হোংনবগী হায়জরকপা অমত্তা খন্নরোই। এডমিদ কার্ড য়াউদবা মীওই অমত্তা চাংয়েং য়াউবা য়াদে। এডমিদ কার্ড অসি NVS কী website **www.navodaya.gov.in** দগী লৌথোকপা য়াগনি।

### 2. পরিক্ষা থাবগী লোল :

কেন্দিদেট অমগী পরিক্ষা থানবগী লোলদি মখাদা ষ্টেটকা লোয়ননা পীরি ।

| ষ্টেটশিংগী মমিং | লোল |
|---|---|
| অন্দমান অমসুং নিকোবর | হিন্দী , ইংরাজী,টামিল, উর্দু , বঙ্গালী |
| অন্ধ্রপ্রদেশ | হিন্দী , ইংরাজী, টেলিগু,মরাঠী,, উর্দু , উরিয়া ,কনাডা |
| অরুনাচল প্রদেশ | হিন্দী , ইংরাজী,, |
| অসাম | হিন্দী , ইংরাজী, অসামিজ,, বোরো ,গারো, বঙ্গালী , মণিপুরী,( মৈতৈ/বঙ্গলা ময়েক) |
| বিহার | হিন্দী , ইংরাজী, উর্দু |
| চাণ্ডিগর | হিন্দী , ইংরাজী, পঞ্জাবী |
| ছটিসগর | হিন্দী , ইংরাজী, |
| দেল্লী | হিন্দী , ইংরাজী, |
| গৱা | হিন্দী , ইংরাজী, মরাঠী , কনাডা |
| গুজরাৎ | হিন্দী , ইংরাজী, গুজারাতী , মরাঠী |
| হরিয়ানা | হিন্দী , ইংরাজী, |
| হিমাচল প্রদেশ | হিন্দী , ইংরাজী, |
| জমু অমসুং কাশমির | হিন্দী , ইংরাজী, উর্দু |
| জরখণ্ড | হিন্দী , ইংরাজী, উরদু , উরিয়া |
| করনাটক্কা | হিন্দী , ইংরাজী, কনাডা , টেলিগু . মরাঠী , উরদু , মালায়ালম , টামিল, |
| কেরেলা | হিন্দী , ইংরাজী,, মালায়ালম , টামিল ,কনাডা |
| লক্ষদ্বীপ | হিন্দী , ইংরাজী, মালায়ালম |

| | |
|---|---|
| মৈধ্য প্রদেশ | হিন্দী ,ইংরাজী, উরদু ,মরাঠী , গুজারাতী |
| মহারাষ্ট্রা | হিন্দী , ইংরাজী কনাডা , মরাঠী, উর্দু , টেলিগু , গুজারাতী |
| মণিপুর | হিন্দী , ইংরাজী, মণিপুরী,( মৈতৈ/বঙ্গলা ময়েক) |
| মেঘলায়া | হিন্দী , ইংরাজী,খাশী, গারো, বঙ্গলা,অসামিজ |
| মিজোরাম | হিন্দী , ইংরাজ ,মিজো, |
| নগালেণ্ড | হিন্দী , ইংরাজী, |
| উরিসা | হিন্দী , ইংরাজী, টেলিগু উরিয়া , উর্দু |
| পোণ্ডিচারি | হিন্দী , ইংরাজী, টেলিগু,মালায়ালম |
| পঞ্জাব | হিন্দী , ইংরাজী, পঞ্জাবী |
| রাজস্হান | হিন্দী , ইংরাজী,, |
| সিকিম | হিন্দী , ইংরাজী, নেপালি |
| ত্রিপুরা | হিন্দী , ইংরাজী, বঙ্গালী |
| টেলঙ্গনা | হিন্দী , ইংরাজী, টেলিগু,কনাডা ,মরাঠী , উর্দু |
| দমণ অমসুং দিউ | হিন্দী , ইংরাজী, গুজারাতী |
| ডাদর অমসুং নগর হাভেলি | হিন্দী , ইংরাজী ,গুজারাতী, মরাঠী |
| উটর প্রদেশ | হিন্দী , ইংরাজী,, উর্দু |
| উত্রাখণ্ড | হিন্দী , ইংরাজী,, উর্দু |
| পচিম বঙ্গাল | হিন্দী , ইংরাজী, বঙ্গালী ,নেপালি , উর্দু |

খঙজিনগদবা : কেন্দিদেৎশিং অদুনা চাংয়েংগীদমক থাগৎখিবা লোলশিং অদুগী মতুংইন্না **Booklet** ফংগনি ।

## 3. চাংয়েং পরিক্ষাগগী মচল (কমপোজিসন):

চাংয়েং পরিক্ষা অসিগী মতমদি পুং অনী হায়বদি অয়ুক্কী পুং ১১:৩০ দগী পুং ১:৩০ ফাউবা ওইগনি।পরিক্ষা অসিগী সেক্সন অহুম লৈগনি। সেক্সন খুদিংমক্তা ওবজেক্তিভ টাইপ মখলগী ৱাহং ঙাক্তা ওইগনি। ৱাহং ৮০ খক হংগনি। ৱাহং খুদিংমক্কী মার্ক 1.25 ওইগনি।

কেন্দিদেৎ খুদিংমক্তা সেক্সন অহুমমক য়াউবা লাইরিক মচা (টেষ্ট বুকলেৎ) অমমম পীগনি। মীমান্নদ্রবশিংগীদমক মিনিট কুন্থা হেন্না হাপকনি।

| চাংয়েংগী মখলশিং | ৱাহং মশিং | মার্কস | মতম |
|---|---|---|---|
| লৌশিং চাংয়েং | ৪০ | ৫০ | ৬০ মিনিট |
| অন্ক চাংয়েং | ২০ | ২৫ | ৩০ মিনিট |
| লোল চাংয়েং | ২০ | ২৫ | ৩০ মিনিট |
| **অপুনবা** | **৮০** | **১০০** | **পুং ২** |

## 4. পাউখুম পীবগী মওং:

ক) তোঙানবা পাউখুম চে পীগনি। পাউখুম চে অদু Intelligence Charactar Recognition(ICR)/Optical Charactar Recognition(OCR) চেদা ওইগনি। খুদমগীদমক ওইনা কপি অমসু হাপলি।

খ) কেন্দিদেৎশিংনা মশা মশাগী অমুবা/হীগোক মচুগী বোল পেন পুরক্কদবনি। অদুগা পেনসিল শীজিন্নবা য়াদে।হীগোক নৎত্রগা অমুবা মুক ওইগদবনি।

গ) ৱাহং খুদিংমক্কী ওইনা ওইথোকপা য়াবা পাউখুম মরি পীগনি। মখোয়দুগী মনুংদা অচুম্বা পাউখুম অমখক য়াউগনি। কেন্দিদেৎ অমনা ৱাহং অমগী পাউখুম ঐদু চেদা ইরিবা ৱাহংগী উপু কলমনা শঙজিনগদবনি। মসি নৎতদুনা (a,b,c,d) নৎত্রগা (A, B, C, D) নৎত্রগা (ক, খ, গ, ঘ) অসিনচিংবা ইশিল্লবদি পাউখুমদু চুমমী হায়না লৌরোই। খুদম ওইনা ৱাহং ৩৭ গী পাউখুমসি C না ওইরবদি মখাগী অসুমনা তৌগনি।




.

ঘ) ইরুরবা পাউখুম অমুক হোংবা য়ারোই। হন্না - হন্না ইশিনবা, ককথৎপা, মুৎথৎপনচিংবা তৌবা য়াদে।

ঙ) অচুম্বা পাউখুম খুদিংমক্কী মার্ক ১।২৫ ওইগনি।

চ) নেগেটিভ মার্কিং (Negative Marking) লৈরোই।

## 5. খঙগদবা ৱাফমশিং অমসুং খুদমশিং:

ক) কেন্দিদেৎশিংনা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম পীদ্রিঙৈগী মমাংদা টেষ্ট বুকলেৎকী মখুমদা অমদি ৱাহংগী সেক্রন খুদিংগী অহৌবদা ইরিবা ৱাফমশিং অদু হান্না মুন্না পাগদবনি। কেন্দিদেৎশিংনা টেষ্ট বুকলেৎ হেক ফংবগা মহাকনা মেনশিনখিবা লোল অদুগা চান্ন দবা নৎত্রগা ওন্ননা পীরক্লবদি পরিক্ষা হৌদ্রিঙৈদা য়েংদুনা শীন্দোক্কনি। পরিক্ষা মতুংদা ওন্থোক ওনশিন তৌবা য়ারোই।

খ) চাংয়েং পরিক্ষাগী মতম পুং অনী ওইগনি। মরক্তা লেপলোই। মীমান্দ্রবশিংগীদমক মিনিট ৩০ হেন্না হাপকনি।

গ) চাংয়েং পরিক্ষাগী সেক্রন খুদিংমক অসি তোঙান-তোঙান্না পাস তৌগদবনি।মরম অদুনা সেক্রন খুদিংগী পীরিবা মতম অদুদগী হেন্না চংহল্লোইদবনি। অদুবু মতম হেন্দোক হেজিন তৌখ্রবসু অপুনবা মতমদুগী মনুংদদি সেক্রন খুদিংগী ৱাহংশিংদু খুন্না লৌইগদবনি।

ঘ) মিনিট ৩০ খুদিংগী কাংসি খিংগনি।

১। কেন্দ্রিদেৎ অমতনা মশাগী এডমিড কার্ড য়াউদনা পরিক্ষা হোলদা চঙবা য়ারোই ।

২। পরিক্ষা হৌখ্রদা মতুং মিনিট ৩০ গী মতুংদা কনাগুম্বা কেন্দ্রিদেৎ অমতনা পরিক্ষা হোলদা চঙবা য়াদে।

৩।পরিক্ষা লোইদ্রিফাউবা কেন্দ্রিদেৎ অমফাউবা মপানদা থোকপা য়াদে।

## চাংয়েং পরিক্ষাগী মওং মতৌ :

### সেক্সন 1: লৌশিংগী চাংয়েং (MAT)

চাংয়েং অসি চিন্দা হংবগী নত্তে। ৱাহং খুদিংমক অয়েকপা (ডাইগ্রাম) দা য়ুমফম ওইবনি।ৱাহংশিং অসিনা কেন্দ্রিদেৎশিং অদু লৌশিং কয়ামনা লৈরবগে হায়বা চাংয়েং তৌই। সেক্সন অসিদা ৱাহং মঙা য়াউবা শরুক তরা থোকনা খায়দোকই।মখাদা চাংয়েং খুদম খরা পীরি।

**নমুনা ১ ( মান্নদবা খুৎয়েক খন্দোকপা)**

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ১দগী ৫ ফাউবা ৱাহং খুদিংগী খুৎয়েক (ফিগর) মরি মরি পীরি।খুৎয়েক ১,২,৩ অমসুং ৪ অসিগী মনুংদা খুৎয়েক অহুমদি মান্নবা খরা লৈ।অমদি মান্নদে।মান্ন দবা খুৎয়েক্কী মখাদা ইরিবা মশিং অদু খন্দোক্লগা খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

১ বা খুদম**:**



অচুম্বা পাউখুমদি **(A)**

## নমুনা ২ ( মান্নবা খুৎয়েক খন্দোকপা)

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ৬দগী ১০ ফাউবা  ওইথংবদা ৱাহং খুদিংগী খুৎয়েক (ফিগর) পীরি অদুগা য়েৎথংবা মাইকৈদা য়াউরিবা মশিং A,B,C অমসুং D অসিগী মনুংদা খুৎয়েক অমদি পীরিবা ৱাহংগী খরৎয়েক্কা চপ মান্নে। পাউখুমদা য়াউরিবা অচুন্বা খুৎয়েক অদু খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক পাউখুম খুৎয়েক




অচুন্বা পাউখুমদি (C)

## নমুনা ৩ (খুৎয়েক মপুং ফাহনবা)

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ১১ দগী ১৫ ফাউবা লৈইগী ওইথংবদা ৱাহংগী খুৎয়েক পীরি । খুৎয়েক অসিগী মচেৎ অমা য়াউদে।য়েৎথংবা মাইকৈদা পীরিবা খুৎয়েক A,B,C অমসুং D অসি য়েংঙু।ৱাহং খুৎয়েক্কী অহাংবা মফমদা মাইকৈ হোংহন্দনা মেনশিনবদা ৱাহং খুৎয়েক অদু মপুং ফাগদবা অচুন্বা খুৎয়েক অদু পুথোকউ অদুগা খুৎয়েক অদু খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক পাউখুম খুৎয়েক



অচুন্বা পাউখুমদি (A)

## নমুনা 4 (খুৎয়েক মথং মনাউ নাইহনবা)

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ১৬ দগী ২০ ফাউবা লৈইগী ওইথংবদা ৱাহংগী খুৎয়েক অহুম পীরি । 4শুবা খুৎয়েক অসিগী মফমদি হাংনা থমমী।ৱাহংগী খুৎয়েকশিং অসি মথং মনাউ নাইনা লৈ। পাউখুম খুৎয়েকলোমদগী করন্বা খুৎয়েকনা অহাংবা মফম অসিদা মেনশিনবদা মপুং ফাগনি হাইবদু খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক　　　　　　　　　　　　　　পাউখুম খুৎয়েক





অচুম্বা পাউখুমদি (C)

## নমুনা ৫ (মরী লৈনবা মেনশিনবা)

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ২১ দগী ২৫ ফাউবা ৱাহংগী খুৎয়েক অহুম পীরগা ৪শুবা খুৎয়েক অসিদা অহংবা খুদম থমমী।ৱাহংগী খুৎয়েক A গা B গগী মরক্তা মরী খরা লৈনৈ।মতৌ অসুমনা C গা D গগী মরক্তসু মরী লৈনগনি।। পাউখুম খুৎয়েকলোমদগী করম্বা খুৎয়েকনা অহংবা মফম অসিদা মেনশিনবদা মপুং ফাগনি হায়বদা খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক　　　　　　　　　　　　　　পাউখুম খুৎয়েক





অচুম্বা পাউখুমদি (A)

## নমুনা ৬ (জিওমিত্রিগী খুৎয়েক মপুং ফাহনবা)

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ২৬ দগী ৩০ ফাউবা লৈইগী ওইথংবদা স্কার অমগী শরুক অমা লৈ।অদুগা শরুক অমনা লৈইগী য়েৎলোমথংবদা লৈরিবা খুৎয়েক A,B,C অমসুং D গী মনুংদা য়াউরি।। য়েৎলোমদা লৈরিবা খুৎয়েক্তগী খল্লগা ৱাহং খুৎয়েক্কী স্কার অদু মপুং ফাহল্লু। অদুগা খুৎয়েক অদু মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক　　　　　　　　　　　পাউখুম খুৎয়েক




অচুম্বা পাউখুমদি (A)

## নমুনা ৭: (মিংশেলদা তাবা মমি)

তৌগদবা তাকপা : খুৱাহং ৩১দগী ৩৫ ফাউবা লৈইগী ওইথংবদা ৱাহং খুৎয়েক অদুগা লৈইগী য়েৎথংবদা লৈরিবা খুৎয়েক A,B,C অমসুং D গী পাউখুমগী খুৎয়েক লৈরি। পাউখুমগী খুৎয়েক মরি অসিদগী মিংশেলদা তাবা ৱাহং খুৎয়েক্কী অচুন্বা মমিদু খল্লগা মচু শঙজিল্লু ।

ৱাহং খুৎয়েক পাউখুম খুৎয়েক




অচুন্বা পাউখুমদি (D)

## নমুনা ৮: (থুপচিনবা /হাংদোকপা)

**তৌগদবা তাকপা** : খুদম ওইনা পীরিবা ৱাহং ৮ দা লাইগী ওইথংবদা থেকচিল্লগা ফাজিনবা চেজেৎ অমা ৱাহং খুৎয়েক ওইনা পীরি। অদুগা য়েৎথংবদা A,B,C অমসুং D গী পাউখুমগী খুৎয়েক লৈরি। পাউখুমগী খুৎয়েক মরি অসিগী করম্ববু চেজেৎ অদুনা হাংদোক্লকপদা ওইবা য়াবগে হায়বদু খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক পাউখুম খুৎয়েক




অচুন্বা পাউখুমদি (A)

## নমুনা ৯: (শমনদবশিং শমজিন্নহন্দুনা শেংনা উহনবা)

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ৩৬ দগী ৪০ ফাউবা লাইগী ওইথংবদা ৱাহং খুৎয়েক অদুগা লাইগী য়েৎথংবদা লৈরিবা খুৎয়েক A,B,C অমসুং D গী পাউখুমগী খুৎয়েক পীরি। পাউখুমগী খুৎয়েক মরি অসিদগী করম্ববু ৱাহং খুৎয়েক্তা য়াউরিবা চেজেৎশিংনা শমজিন্নদুনা ওইহল্লকপনো হায়বদু খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক    পাউখুম খুৎয়েক



(A)    (B)    (C)    (D)

অচুম্বা পাউখুমদি (D)

## নমুনা ১০: (উবা ঙমহন্দবা)

**তৌগদবা তাকপা :** ৱাহং ৪১ দগী ৪৬ ফাউবা লাইগী ওইথংবদা ৱাহং খুৎয়েক অদুগা লাইগী য়েৎথংবদা লৈরিবা খুৎয়েক A,B,C অমসুং D গী পাউখুমগী খুৎয়েক পীরি। পাউখুমগী খুৎয়েক মরি অসিগী করম্ববু ৱাহং খুৎয়েক লোৎশিন্দুনা উবা ঙমদবা ওইবা য়াবগে হায়বদু খল্লগা মচু শঙজিল্লু।

ৱাহং খুৎয়েক    পাউখুম খুৎয়েক



(A)    (B)    (C)    (D)

অচুম্বা পাউখুমদি (D)

## সেক্সন 2 অন্কগী চাংয়েং(এরিথমেতিক টেষ্ট) :

চাংয়েং অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি কেন্দ্দিদেৎশিংগী মশাদা য়াউরিবা মরুওইবা অন্কগী লৌশিং চাং য়েংবনি।চাংয়েং অসিদা ৱাহং কুন(২০) মখাদা পীরিবা হীরমশিং অসিদগী হংগনি।

1. মশীং অমসুং মশীং থীবগ মরী লৈনবা মথাপ (Numeric System)
2. হোল নম্বরগী ফন্দামেন্টেল ওপেরেসন মরি।
3. মচেৎতাবা (Fractional) মশীং অমসুং মখোয়গী ফন্দামেন্টেল ওপেরেসন মরি ।
4. ফেক্তরস অমসুংমলটিপলস লোয়নন মখোয়গী মগুনশিং।
5. মশীংগী এল সি এম অমসুং ঐচ সি এফ ।
6. দসমিক (Decimals) অমসুং মখোয়গী ফন্দামেন্টেল ওপেরেসনগী নিয়মশিং।
7. মচেৎনা (Fractional) দসমিক্তা (Decimals) ওন্থোক ওন্সিল তৌবা ।
8. অশাংবা , অরুম্বা , চাং, মতম সেলনচিংবা ওনবদা মসিং শীজিন্নবা তাকপা ।
9. অরাম্ব্পা,মতম অমসুং অয়াংবা ।
10. ওইথোকপা য়াবগী চারাকপা অমা তাকপা ।

11. অন্কগী মশীংশিং লাইথোকহনবা (Simplification)
12. চাদা (Percentage) পাবগী মতাং অমসুং শীজিন্নবা তাকপা ।অচন্বা শেন্দোই
13. অমাং-অতোং (Profit and Loss)
14. অচন্বা শেন্দোই ।
15. পেরিমিটর , এরিয়া , ভোল্যুম ।

**খণ্ডজিনগদবা :** মরু ওইনা কেন্দিদেটকী ভাব তাবা অমসুং মরৌশিং অদু চাং য়েংবনি। মখাদা খুদম খরা পীরি।চাংয়েং খুদিংমক মরী লৈনবা কনসেপ্ট অমদি লৌশিং অদু মপুংফানা খংলব্রা শীজিন্নবা হৈরব্রা হায়বা য়েংবনি। অন্কগী চাংয়েং অসিদা হংলকপা য়াবা ৱাহং খরা লমজিং ওইনবা মখাদা খুদম ওইনা পীরি।

**১বা খুদম : (টেষ্ট ওফ অন্দরষ্টেন্দিং)** ১০০০ গী প্রাইম ফেক্তরাইজেসন কয়ানো ?

1. 10×10×10 3. 2×2×2×5×5
2. 2×5×5×10 4. 2×2×2×5×5×5

মশীং অমগী ফেক্তরাইজেসন অসি মখাদা পীরিবা নিয়মশিং অসিগী মখাদা প্রাইম ফেক্তরাইজেসন তৌগনি।

(i) ফেক্তরশিংদু লৌইনা পুরীবদা মশীংদু ওইগদবনি।

(ii) ফেক্তর খুদিংমক প্রাইম নম্বর ওইগনি।মরঝ অসিনা ৪ শুবা মশীং অসি অচুম্বা ওইরে।

**২বা খুদম : (টেষ্ট ওফ অন্দরষ্টেন্দিং)**অহানবদগী হৌরগা ওদ নম্বর (তুমা শুদবা মশীং) মরিগী চাংচৎ কয়ানো ?

1. 5 2. 4 3. 5 4. 16

অহানবদগী থীরকপদা তুমা শুদবা মশীং মরি অসি ১, ৩, ৫, ৭ নি। মরম অদুনা মখোয়গী চাংচৎ অসি (1+3+5+7)/4 = 4 নি।পাউখুমগী অনীশুবা মশীং অসি চুমলে।

**৩বা খুদম : শীজিন্নবা হৈরব্রা য়েংনবা চাংয়েং**

কিলোমিটর অমা শাংবা ট্রেন অমা থৌবগী চাংসি মিনিট অহুমদা কি মি অমনি। হায়রিবা ট্রেন অসিনা কিমি অনী শাংবা শুরুং অমা লান্থোকপদা চঙবা মতম অসি :

1. মিনিট ১ 3. মিনিট ৬
2. মিনিট ৩ 4. মিনিট ৯

শুরুং অদুগী অশাংবা কি মি অনীনি।অদুগা ট্রেন অদুগী অশাংবনা কি মি অমানি।পুন্না ট্রেন অদুনা শুরুং অদু লান্থোকপদা কি মি অহুম শাংবা অমা লান্থোকপা তাই। কি মি অমা থৌবদা মিনিট অহুম চংবা মরমনা ট্রেন অদুনা শুরুং অসি লান্থোকপদা মিনিট মাপল চংগনি।অদুনা মরিশুবা অসি চুমলে।

## সেক্সন 3: **লোলগী চাংয়েং**

চাংয়েং অসিগী পান্দমদি কেন্দিদেটশিংদা ইরিবদু ভাব তানা পাবা ঙমল্লব্রা য়েংননবনি। চাংয়েং অসিদা পেসেজ মরি য়াউরি। পেসেজ খুদিংমক্কী ৱাহং মঙা হংগনি। কেন্দিদেটশিংনা পেসেজ খুদিংমক য়ামনা মুন্না পাগনি অদুগা হংলিবা ৱাহংশিং অদুগী অচুম্বা পাউখুম পীগদবনি।মখাদা পীরিবা পেসেজ অসি ৱাহংগা কোন্ননা খুদম ওইনা পীবনি।

### **পেসেজ**

জঙ্গলশিং অসিনা ঐখোয় মীওইবদা লম কয়ামরুমদা কান্নবা পীরি।মখোয়না ঐখোয়গী য়ুম শাননবা অমদি উপু কাংথোল শাননবা উ কয়ামরুম পীরি।জঙ্গলনা ঐখোয়গী মৈ থাননবা শীং পীরি অমসুং চে শাননবা মচাকশিং পীরি।মখোয়না শা-উচেক অমদি তিল কাংশিংগী লৈফমসু পীরি।উমংনা নোং চাং নাইনা তাহল্লি।জঙ্গল য়োকখৎপা হায়বসিনা ঐখোয়গী অঈং অশা অমদি নোংজু নুংশা নাইহল্লি । ঐখোয়না অকোইবগী ফিভম ঙাকনা থন্না তঙাইফদে। মীওইবনা তুং কৌইনা নুংঙাইনা লৈননবগীদমক ঐখোয়গী অকৌইবা অমসুং মসিগী পোৎথোক হৈ শিংনা শীজিন্নবা তাই।

1. ঐখোয়গী অকোইবগী খল কাইহন্দনবগীদমক—— ------- য়োকখৎপা তঙাইফদে।

   A. জঙ্গল  B. শা-ঙা
   C. মীওইবা  D. পোৎথোকশিং (খোংগী)

   অচুম্বা পাউখুমদি **(A)**

2. য়োকখৎপা হাইবসিগী ওন্ন-তৈনবদি ----------- নি।

   A. কনবা  B. শেমগৎ-শাগৎপা
   C. চংজফম পীবা  D. মাংহন-তাকহনবা

   অচুম্বা পাউখুমদি **(D)**

3. মখাগী অসিদগী করন্বা ৱাহৈবু ‘অশিংবা’ হায়বসিগী চপ মান্নবা অর্থ ওইদবগে?

   A. লৌশিনবা ঙন্বগী শক্তি লৈবা  B. লৌশিং জ্ঞান লৈবা
   C. ফাগী হৈবা  D. অচুম অরান খঙখা

   অচুম্বা পাউখুমদি **(B)**

4. উশুবনা  জঙ্গলগী মখা পোল্লিবগী মরমদি -------- ননি >

   A. মৈ থাননবা উশিং  B. চে শাননবা উশিং
   C. উপু-কাংথোল (ফরনিচর) শাননবা  D. শাশিংগী ময়ুম শাননবা

   অচুম্বা পাউখুমদি  **(C)**

5. লমলক্কী শাশিং অসি  ----- ময়ুম লৈরমলোই

   A. চেগী মিল লৈহনব্রবদি  B. য়ুম য়ামনা শাজিল্লবদি
   C. উমং কোকথোক্লবদি  D. অঈং অশা চাং নাইহল্লবদি

   অচুম্বা পাউখুমদি **(C)**

## জৰাহর নবোদয় বিদয়ালয় চাংয়েংগী দরখাষ্ট Uploading তৌবদা মরু ওইবা ৱাফমশিং

জৰাহর নবোদয় বিদয়ালয়দা ক্লাস VI তা মিং চন্নবা দরখাষ্ট ফোর্ম অদু মেনশিনবগী মওং (নীয়ম) কয়া খঙবা ঙমগনি। অদু ওইরবসু মখাদা ইরিবা ৱাফমশিং অসি কেন্দিদেটশিং অমসুং মমা-মপা/মরীমতাশিংনা কাউরোইদবনি।

1. প্রোসপেক্টস অমসুং দরখাষ্ট ফোর্ম অসি য়াম্না ভাব তানা পাবীয়ু। মিং চন্নবগী অচংবা ফিভমশিং অদু মপুংফানা হায়বদি পোকপগী তারিক ১/৫/২০০৬ তগী ৩০/০৪/২০১০ ফাউবগী মনুংদা ওইবা, সরকারনা শকখংলবা স্কুলদা অমসুং মপুংফানা নীংথিনা তমদুনা পাস তৌরকপা অমদি মরী লৈনবা জৰাহর নবোদয় বিদয়ালয় অদুনা লৈরিবা জিলা অদুগী মনুংদা লৈবা কেন্দিদেৎশিংখক্তনা মেনশিনগদবনি।

2. কেন্দিদেৎ অদুনা ফোর্ম Uploading তৌবা মতমদা এস সি নৎত্রগা এস টি , ও বি সি অমসুং মীমান্দ্রবা ওইরবদি সকখঙচে পুথোক্কদবনি। মখোয়না খনখ্রবা কেটেগোরী অদুগা মরী লৈনবা চে-চাং অদু মিং চনবা মতমদা পুথোকপা ঙন্দ্রবদি মিং চনবা য়ারোই।

3.

(ক) নহাক্কী পোকপগী তারিক অদু ময়েক অমসুং ৱাহৈদা ইয়ু।স্কুল রেকোর্ডকী মতুংইন্না পোকপগী অচুম্বা তারিক অদু ইয়ু। মতুংদা ফোর্মদা ইরিবা কেন্দিদেৎ অদুগী তারিক অদু স্কুল রেকোর্ডক চান্নদবা ওইরবদি কেন্দিদেৎ অদু চাংয়েংদা য়াউবা ফঙদবা য়াই।

(খ) য়াউরিবা কেন্দিদেৎ মশাগী শক্তাক খুদম অদু ময়েক শেংনা মরীক চুমনা তাক্কদবনি।

4. দরখাষ্ট অদু uploaded তৌবা মতমদা কেন্দিদেৎ , মমা-মপা/মরী-মতাশিংগী সহী মফমচানা তৌগদবনি।

5. দরখাষ্ট অদু uploaded তৌবগী অরোইবা মতমদি তাং ১৫-০৯-২০১৯ ইংনি।

### চেকশিনগদবা ৱাফম :

মপুংফানা মেণশিনদবা কলম (পেরেং )শিং মেনশিন্দনা থাদোক্লমবা দরখাষ্ট ফোর্মশিং খন্নদবা য়াই । দরখাষ্ট থারিবা কেন্দিদেৎ খুদিংমকনা দরখাষ্ট ফোর্মদা ইরিবা অচংবা ফিভম পুমনমক হায়বদি ইডুকেসন, চহী মতাং, কাংলুপ (এস সি ,এস টি, ও বি সি) অমসুং খুঙ্গং / সহর অসিগী মরমদা পীরিবা ফিভমশিং অদু মশাদা য়াউজবা ওইগদবনি। অশেংবা দরখাষ্ট ফোর্মদা কেন্দিদেৎ অদুনা ইরিবশিং অদু মতুংদা চেক তৌবদা অরানবা অমদি অশোইবা য়াউরবদি চাংয়েংদা মায় পাক্লবসু মিং চলহন্দবা য়াই।মসিদা নবোদয় বিদয়ালয় সমিটিগী ৱারেপনা অরোইবা ওইগনি অমদি মদু ইনগদবনি।হায়রিবা অসিগী মরমদা হায়জরকপা অমদি ইরকপা ৱাফম অমত্তা খন্নরোই। অরানবা চে-চাং উৎলগা মিং চল্লমলবদি অঙাং অদুদা সমিটিনা চাদিং তৌখিবা পুমনমক লৌখৎকনি।

# লৈফম তাকপা চে

## NIOS কী খুৎথাংদগী মিং চনগদবশিংনা মিং চনবদা চঙগদবা

( খল্লবা কেন্দীদেৎশিংগী মমা মপাশিংনা JNV দা মিং চনবা মতমদা তৌগদবশিং)

জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয় ---------------------------------------- জিলা ------------------------ ----------- ষ্টেট—------------------------- চিঠীগী মশিং ---------------------------------- তাং - ----------------------- ইং ঐগী ইচানিপা / ইচানুপী ------------------------------------------- ---------------------- অসি JNV ------------------ জিলা -------------------ষ্টেট ------------ ------ গী --------------- ইংগী ওইনা ক্লাস VI তা মিং চন্নবা পাংথোকপা চাংয়েংদা মাই পাক্লে।

ঐনা মখাদা পীজরিবা লৈফম অসিদা চহী ––––––––––––––––––––––– দগী লৈরক্লি।

* জিলা অসিগী খুঙ্গং/ সহর লৈফম ওইবা মফমদি

খুঙ্গং --------------------------------------

সহর ----------------------------------------

জিলা ----------------------------------------

ষ্টেট ---------------------------------------

পিন মশিং ------------------------------------

মথক্তা পীজরিবা ৱাফমশিং অসি তশেংনা চুমলবা ৱাফমনি।অরানবা য়াউরবদি মিং চনবদগী লৌথোকপদা ইশানা য়াজগনি। ꠆꠆–

মমা মপাগী সহী

মপুংফাবা মিং

লৈফম

মফম ------------

তাং ----------------

## শকখঙচে

(JNvST দা খল্লবা অঙাংশিংগী মমা-মপাদা জিলা অদুগী ডিষ্ট্রিক অদুগী ডিষ্ট্রিক মেজিষ্ট্রেৎনা নৎত্রগা SDM না মেনশিল্লগা সহী তৌবিরগা পীবিগদবা) শকখঙচে অসিদা মেনশিন্দুনা পিরিবা–------------------------------------------- মমা-মপা / মরীমতাগী মিং ------------------------------------------------------------------- অঙাংগী মমিং -------- ------------জিলাদা লৈবা JNV দা ক্লাস VI তা মিং চন্নবা খল্লিবা অসি তসেংনা চুমলে।

লৈফম ওইরিবা মফম অসি জিলা ------------------------- গী মনুং চনবা (খুঙ্গং/সহর দা লৈবনি।

সহী

SDM/ তাসিলদার

# জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয় মিংজন চাংয়েঙ ২০২০

# শকখঙচে

Online দা Form পিশীনবগী অরোঈবা মতমদি তাং১৫- ০৯ ২০১৯ ইং নি।

অখাদা পীরিবা ------------------------------------------(অঙাংগী মিং) ---------------
---------------------------স্কুলদা ক্লাস V তা তমবীনা জৱাহর নবোদয় বিদ্যালয় চাংয়েং ২০২০ দা তশেংনা য়াউনিং হায়বগী শকখঙচে পীজরি।

| কেন্দীদেটকী পাসপোর্ট ফোটো নপফম |
|---|

| | | |
|---|---|---|
| কেন্দীদেৎকী মিং (ময়েক চাউনা) | | |
| মপাগী মিং (ময়েক চাউনা) | | |
| মমাগী মিং (ময়েক চাউনা) | | |
| মরী মতাগী মিং (মখোয়গা লৈনবা মরী) | | |
| পোকপগী মতম | ময়েকনা<br>D D M M Y Y Y Y | ৱাহৈনা<br>…………………………………………………………………………<br>………………………………………………………………………… |
| নুপী নিপা খঙনবা (✓) খুদম তৌগদবা | নিপামচা / নুপীমচা / ট্রান্সজেন্দর | কেটেগোরী<br>জেনরেল / এস সি / এস টি / ও বি সি |
| মীমান্নদবা ওইরবদি কেটোগোরী অদুগী মখাদা (✓) খুদম থমগদবনি। | | হকচাংদা মীমান্নদবা / মীৎ ফজনা উদবা / না ফজনা তাদবা |
| | | |

| শকখঙ খুদম ........................................................................................................... | |
|---|---|
| হৌজিক হৌজিক্কী লৈফম | ফোন মশিং ............................ ই-মেল ................................... |

| জাতি ................................ | ধর্ম .............................. |
|---|---|

| |
|---|
| চাংয়েংদা ইগদবা লোল ........................<br><br>( প্রোসপেক্টসতা পীরিবা রাজ্যগী লোলশিংগী মরক্তগী অপান্বা অমা খনগদবনি।) |

| পার্টিকুলরস | ক্লাস - **III** | ক্লাস -**IV** | ক্লাস -**V** |
|---|---|---|---|
| স্কুলগীমিং ( ক্লাস – III , IV অমসুং V তম্বা) অমসুং খুঙ্গং/ সহরগী মিং | | | |
| স্কুলগী থাক (সরকারনা শকখঙবা/ শকখঙদবা) | | | |
| স্কুলগী লৈফম : খুঙ্গং/ সহর | | | |
| স্কুলদা চঙবগী থা অমসুং চহী | | | |
| পাস তৌবগী থা অমসুং চহী ব্লোক্কী মিং | | | -- |
| ব্লোক্কী মিং | | | |
| জীলাগী মিং | | | |
| ষ্টেটকী মিং | | | |

ঐনা খঙই মদুদি কেন্দীদেৎ অদু সহরদা নোংমতং ওইরবসু ক্লাস III, IV অমসুং V তা তমলুরবদি মহাক সহরগীনি হায়না লৌগনি। পীজরিবা ৰারোল অসিদা অরানবা য়াউরবদি ঐহাক্কী অঙাং অসি JNV দা তমহনদবা ইশানা য়াজগনি।

| কেন্দীদেৎকী মিং | মমা -মপাগী সহি |
|---|---|
| | |

খঙজিনগদবা : NIOS কী অঙাংশিংগীদমক্তদি অঙাং অদুগী লৈফমগী মতুংইন্না লেপকনি।

মথক্তা পীজরিবা ৰারোলশিং অসি স্কুলগী **record** মতুংইন্না চুমলবনি।

প্রিন্সপাল/ হেড মষ্টরগী সিল য়াউবা সহি

# পাউখুম চে ( অন্সর সিট )

## চাংয়েং ফোর্ম

### কেন্দ্রীদেৎ অমদি ইনভিজিলেটরশিংনা খঙজিনগদবা

হিগোক নৎত্রগা অমুবা মচুগী বোল পেনদমক শীজিন্নগনি।

1. হিগোক/ অমুবা মুক মচুগী বোলপেননা পাউখুম চেদা ইগনি।পেনসিল শীজিন্নবা য়াদে।

2. পাউখুম চেগী নাকন অনীদা ইংরাজীগী খক্তমক শীজিন্নগনি। পাউখুম চেগী

3. পাউখুম চেগী নাকন অনীদা নমলিবা টেষ্ট বুকলেৎ সেরিজ অমসুং টেষ্ট বুকলেৎ মশিংগা টেষ্ট বুকলেৎকা চান্নব্রা হায়দুনা কেন্দ্রীদেৎশিংনা নিংথিনা য়েংগদবনি। করিগুম্বা চান্নরমদ্রবদি খুদক্তা টেষ্ট বুকলেৎ অমসুং পাউখুম চে অনীমক শীন্দোক্লদবনি।

4. ইরুরবা পাউখুম চে অমুক হোংবা য়াদে।

5. ৱাহৈগী মপাদা ইরিবা ঊপু অদুদা মশিংখক্তমক পীগনি (A, B , C , D) খুদম ওইনা নহাক্কী পাউখুমদা ৱাহং ৩৭ কী অচুম্বা ৩ না ওইরবদি অসুমনা ইগনি।:

| ৩ | ৩৭ |
|---|---|

6. পাউখুম চেদা অঙৌবা /মুৎথৎনবা মহীনচিংবা শীজিন্নবা য়াদে।
7. পাউখুম চেদা হন্না হন্না ইশিনবা, ককথৎপা য়াদে। পাউখুম চেদা ইচাই চাইনা মমি তাহল্লোইদনি।

8. পাউখুম চেদা খোৎচিনবা য়াদে। খোৎচিন্নবগীদমক্তা টেষ্ট বুকলেৎকী লামাই ১৬ শীজিন্নৌ ।